## বোর্দকী মেম্বর ওইনা থৌ পুখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :
কুমজা ১৯৮০ বেটচকী ইন্দিয়ন রেলৱে সার্ভিস ওফ সিগনেল এঞ্জিনিয়ারস (আই আর এস এস ঈ) ওফিসর এন কাসিনাথবু রেলৱে বোর্দকী মেম্বর (সিগনেল এন্দ টেলিকোম) ওইনা থৌ পুহনখ্রে।

ফম অসি পায়দ্রিঙৈদা মহাক কুমজা ২০১৮ গী ওগষ্টতগী হৌনা রেলৱে বোর্দকী দিরেক্টর জেনরেল (সিগনেল এন্দ টেলিকোম) ওইনা থৌ পুদুনা লাকখি। কুমজা ১৯৮০ দা গভর্ণমেন্ট এঞ্জিনিয়ারিং কোলেজ জবলপুরদগী ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ টেলিকম্যুনিকেসন এঞ্জিনিয়ারিংদা গ্রেজুয়েট লোইরবা মতুংদা মহাক চহী অমা মখায়রোম নেসনল থর্মেল পৱার কোর্পোরেসন (এন টি পি সী)দা থবক তৌরম্মী। কুমজা ১৯৮২ গী ফেব্রুৱারীদা ইন্দিয়ন রেলৱেজদা থবক চঙলকখিবনি।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৮০ বেটচকী ইন্দিয়ন রেলৱে ষ্টোর সার্ভিস ওফিসর ওইরিবা ভি পি পাথকপু রেলৱে বোর্দকী মেম্বর (মেটরিএল মেনেজমেন্ট) ওইনা থৌ পুহনখ্রে। ফম অসি পায়দ্রিঙৈদা মহাক কুমজা ২০১৮ গী জুন ১২ দগী হৌনা রেলৱে বোর্দকী দিরেক্টর জেনরেল (আর এস) ওইনা থৌ পুদুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৭৯ দা অল্লাহবাদকী মোতিলাল নেহরু নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদগী সিভিল এঞ্জিনিয়ারিংদা গ্রেজুয়েট লোইশিনখিবা পাথকনা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বরদগী হৌনা চিত্তরঞ্জন লোকোমোটিক ৱার্ক্সতা জেনরেল মেনেজর ওইনা থৌ পুদুনা লাকখি। মহাক্না রেলৱে বোর্দ (আর এস)কী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিঙৈদা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা লুপা ক্রোর ৪১৯২ তানবা ঙমখিবনি।


## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE SERVICE**
Booking Upto : 25/02/2019
Valid From : 14/02/2019
***Stk: 612 (CTC)***
Time : 7:00 am to 10:00 am

**HIYANGTHANG INDANE**
**Sl. No. Upto - 550**
Booking Upto : 26/02/2019
Valid From : 21/02/2019
***Stk: 306***
Time : 7:30 am to 10:30 am

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto : 13/03/2019
Valid From : 11/03/2019
***Stk: 306***
(Aadhaar Link Consumers only)

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**Sl. No. Upto - 37729**
Booking Upto : 25/02/2019
Valid From : 18/02/2019
***Stk: 306***
Time : 7:00 am to 10:0 am
(First come first serve)

**KHORIPHABA (NAMBOL)**
**Sl. No. 24397 - 24759**
Booking Upto : 20/03/2019
Valid From : 19/03/2019
Time : 7:00 am to 09:30 am

**KHONGNANG (BISHNUPUR)**
Booking Upto : 07/03/2019
Valid From : 01/03/2019
***Stk: 306***
Time : 7:30 am to 10:30 am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto : 07/02/2019
Valid From : 22/01/2019
***Stk: 918***
Time : 8:00 am to 11:00 am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto : 23/02/2019
Valid From : 19/02/2019
***Stk: 306***
Time : 7:00 am to 10:00 am
First come first serve

**LAMBODARA INDANE GAS**
Booking Upto : 17/04/2019
Valid From : 08/04/2019
***Stk: 306***
Time : 7:30 am to 10:00 am

**MAHALAKSMI INDANE**
**Sl. No. Upto - 247262**
Booking Upto : 14/03/2019
Valid From : 09/03/2019
***Stk: 306***
Time : 7:00 am to 11:00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto : 20/02/2019
Valid From : 19/02/2019
***Stk: 306***
Time : 7:30 am to 09:30 am

**J RONGMEI SK INDANE, WANGOI**
**Sl. No. Upto : 36000**
Booking Upto : 26/02/2019
**Sl. No. From : 35701**
***Stk: 306***
Time : 06:30 am to 09:30 am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking Upto : 03/04/2019
Valid From : 30/03/2019
***Stk: 612***
Time : 7:00 am to 10:00 am

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto : 17/03/2019
Valid From : 16/03/2019
***Stk: 306***
Time : 7:30 am to 10:30 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking Uptodate
***Stk : 330, 19Kg:99***
***5Kg Available***
***First Come First Serve***
*Available Online Payment, Booking & Home Delivery*
*Time: 08.00am Onwards*
*No Booking Required*
***Delivery at Heinoupok***


# মীরেপ মরিনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :
লমদমসিগী তুংলমচৎকীদমক রিজনল পার্টি নত্তনা অতৈ পার্টি লৈরোই হায়না এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে অনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি মীখলগী ভোট থাদবা লাকখিবা আর কে অনন্দনা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল পার্টি কয়ানা লমদম অসিদা লিশাং শিংনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখ্রে। শাংলবা মতম অসিদা লমদম অসিদা তৌরিবা থবক থৌরাংশিং অসি ঐখোয়না খঙমিন্নবা মতম ওইরে। নেসনল পার্টিগী মহুৎতা লমদমসিগী অচুম্বা মায়ওন অমগীদমক ইশানা ফিরেপ লৌজবা ঙমগদবা রিজনল পার্টি কনখৎহনবা তঙাইফদে। তুংলমচৎকীদমক রিজনল পার্টি নত্তনা অতৈ লৈরোই।

লমদমসিদা লৈজবা রিজনল পার্টিনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবা ঙমগনি। ইশাগী ফিরেপ লৌজদুনা লমদমসিগী লৈহাওগা চুনবা মওংদা থবক থৌরাং কয়া পায়খৎচবা ঙমগনি। খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক অওনবা পুরক্নবা ঐখোয় পুম্নমক্না লেপমিন্নবা মতম য়ৌরে। এন ঈ আই দি পি রিজনল পার্টি অমা ওইনা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়নননা থোক্লকপা পোলিটিকেল পার্টি অমনি। পার্টি অসিনা খুন্নাই অসিগীদমক মীৎয়েং কয়া থল্লি। পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্দুনা পাঙথোক্কে হায়না খল্লিবা পান্দমশিং মায় পাক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু।

মীখল অসিদা এম পি ওইনা থাগৎলবদি এম পি মশিং য়াম্না লৈ হায়রিবা ষ্টেটশিং থেংননবা শেম-শারে। মীখল কাঙলোন চুম্না পাঙথোকপা ঙম্নবা ঈ সী আই থৌনা লৈবা চঙই। হন্দক্কী মীখল অসিদা পোজিটিব ওইবা লাক্কনি থাজে। পার্টি অসিদা ভোট থাদরক্নুনা মাঙ থাদুনা চৎকনি থাজে। হন্দক্কী মীখল অসি কাঙলোন চুম্না পাঙথোকপা ঙমগনি খল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এম পি অমা ওইনা মীয়াম্না থাগৎপীরবদি লমদম অসিদা মপুং ফানা চাউখৎপা পুরক্নবা হোৎনগনি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

কোংবা নান্দেবম লৈকায়দা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনদা ভোট থাদরুরগা থোরকপদা আর কে রঞ্জননা হায়খি, মণিপুর অসি মালেমনা মশক খঙলবা ইকনমিক জোন অনীগী মরক্তা লৈ। পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরাং কয়া লৈগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। এম পি অমা ওইনা থাগৎলবদি এক্ত ইষ্ট পোলিসী লাকপগা লোয়নননা লমদম অসিগী নহাশিংবু অহোংবশিং অসিদা শরুক য়াহন্নবা অমদি চাউখৎপা খুন্নাই পুরক্নবা হোৎনগনি। নরেন্দ্র মোদিনা অনীরকশুবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদা মণিপুরদগীসু এম পিগী মীহুৎ থাগৎতুনা য়াওগনি থাজে। মীয়ামগী তৌবীমল থাগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোকসভা মীখলদা মায় পাকহল্লবদি মীয়াম্না পাম্বা থৌদাং অদু লৌগনি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা ও নবকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ও নবকিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অসি দেম্মক্রেসিগী য়াম্না ঈকায় খুম্নবা উৎপা নুমীৎনি। মীখল অসিদা মীয়াম্না মতিক চাবা মীওইদা শোয়দনা ভোট থাদরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীখল অসিদা মায় পাকহল্লবদি মীয়াম্না পাল্লিবা থৌদাং অদু চপ চানা লৌগনি। থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়নননা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা লৈবাক্কী থবক তৌরক্কদবা মীরেপতা ভোট পীরক্কনি থাজে হায়না ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ আর কে সোমোরেন্দ্রো এলিয়স কাইকুনা ফোঙদোকখ্রে।

আর কে সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না মীখল অসিগী মরুওইবা য়াম্না মুন্না খঙলে। হন্দক্কী মীখল অসি মমাঙগী মীখলশিংগা মান্নদে। মীখল অসিদা সী পি আইগী মীরেপকা কন্টেষ্ট তৌগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ভোটরশিং শেলদা চৎকদবা মান্দে। লৈবাক্কী থবক তৌগদবা মীরেপতা ভোট পীরক্কনি থাজে।

মীখল অসিদা ভোটর মশিং য়াম্না থোরক্তুনা ভোট থাদরক্কনি খল্লি। মীয়াম্না মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎলবদি লমদমসিগী মরুওইবা ইস্যুশিংদা প্রাইওরিটি পীদুনা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লুপা ক্রোর ২৬৩২ গী পোৎলম ফাগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :
লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমদগী হৌজিক ফাওবদা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা লুপা ক্রোর ২৬৩২ রোমগী পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, মীখলদা অরানবা পান্থৈ শীজিন্নবা হোৎনরম্মী হায়বগীদমক ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা এজেন্সীশিংনা লুপা ক্রোর ২১৯ গী য়ু, লুপা ক্রোর ১১৫১ রোমগী ময়াই কাবা পোৎলম, লুপা ক্রোর ৫১২ রোমগী সনা-লুপানচিংবা লৈতেংগী পোৎলমশিং অমসুং শেল ওইনা লুপা ক্রোর ৬৯৭ ফাগৎপা ঙল্লে।

লোক সভা মীখলগী অনীশুবা তাঙ্কক্তা ঙসি লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৬৬ লোম ওইখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমগী কনষ্টিট্যুএন্সি ৯৫ দা ঙসি মীখল পাঙথোকখি। চাদা ৭৫.২৭ কী চাংদা ভোট থাদনখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা ভোট থাদবা ষ্টেট ওইরে। অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ওইনদি ভোট থাদবগী চাং ওরিষাগী চাদা ৫৭.৪১, তামিল নাদুগী চাদা ৬১.১২, কর্নাটকাগী চাদা ৬১.৮৪, ছটিসগরগী চাদা ৬৮.৭০, অসামগী চাদা ৭৩.৩২, বিহারগী চাদা ৫৮.১৪, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চাদা ৪৩.৩৭, মহারাষ্ট্রাগী চাদা ৫৭.২২, উত্তর প্রদেশকী চাদা ৫৮.১২ অমসুং পুদুচেরিগীনা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৮ ওইখি হায়রি।

অমরোমদা, অসামগী হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্ততা য়েংথিনবা পোলিটিকেল পার্টি অনীগী সপোর্টরশিং উংখৎনরকখিবগা লোয়নননা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা বুথ কেপচর তৌনবা হোৎনরকপদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে। এজেন্সীগী পাউনা হায়, করিমগঞ্জ লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিগী লক্ষ্মীসহর গভর্ণমেন্ট বেসিক স্কুলদা হাংদোকপা পোল্লিং ষ্টেসনদা য়েংথিনবা পোলিটিকেল পার্টি অনীগী সপোর্টরশিংনা বুথ কেপচর তৌনবা হোৎনরকখি। মফম অদুদা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈবা পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা মরম্না বুথ কেপচর তৌবা ঙমখিদবনি হায়না সেক্তর ওফিসর ডা. মনিধারনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা হাইলাকান্দি সদর পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখি। পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, য়েংথিনবা পোলিটিকেল পার্টি অনীগী সপোর্টরশিংনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা নুঙ লংশিল্লকখিবগা লোয়নননা বুথ কেপচর তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসন্না দিষ্ট্রিক্ত অসিগী মফম পুম্নমক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

পনবা য়াবদি, বরাক ভেলিদা মীখল পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ঙরাং ষ্টেটিক সর্ভিলেন্স টিম অমসুং ফ্লাইয়িং স্কৱাদনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থি-হুম্বা চথবদা শেল ওইনা লুপা লাখ ৩.৭৮, লোকলগী য়ু লিটর ১,৬৮৪ অমদি লুপা লাখ ২.৪২ গী ইন্দিয়ন মেদ ফোরেন লিকর ফাগৎপা ঙমখ্রবনি।

# ৱাইথৌদা ভোট থাদবা থোরকপা মীওই অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮: ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলদা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩২/৩৭ ৱাইথৌ এল পি স্কুলদা ভোটথাদবা থোরকপী নুপী অমা লৈখিদ্রে।

নিংথৌজম বসন্তি কৌবী মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবী নুপা অমা ভোট থাদনবা থৌরাং তৌরিঙৈদা লৈখিদবনি হায়রি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইট মতুংইন্না ভোট থাদবা থোরকখিবী নুপী অমা লৈখিদবগী থৌওং অদু অৱাবগী মশকনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা শীৎলকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ককচীং ৱাইরিদা য়েংখোম নুংশিতোম্বী (৫৩) অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী কে সলেমজাং ভিলেজদা চিনখোলহাই (৫০) অমদি নেমদোন (৭৪) লৈখিদবগী মতাংদসু চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়াবগা লোয়নননা লৈখিদ্রবা মীওই পুম্নমক্কী থৱায়না ঈংনা-চিক্না পোত্থারুবা ওইরসনু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

# কুকি ফুরুপকী খ্বাইদগী অহল ওইরবী লেটলিং মিসাও ভোটথাদরল্লগা মশাগী চহী ১০৮ দা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :
কুকি ফুরুপকী হিংদুনা লৈরকখিবা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা নুপী অমা ওইখিবী লেটলিং মিসাও থা অসিগী ১১ দা পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা লোক সভা মীখলগী নম্বর-টু আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী ভোট থাদরল্লবা মতুং থা অসিগী ১৬ দা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবী নুপী অসি পাঙথোকখ্রিবা ইলেক্সন অদুদসু খ্বাইদগী চহী য়াম্বা ভোটর অমা ওইখি। মহাক্না ভোট থাদরম্বা পোল্লিং ষ্টেসন অদুনা চুড়াচানদপুর দিষ্ট্রিক্তকী সাইকোট এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মিসাও লাভোম ভিলেজগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৫৯ নি। হৌখিবা কুমজা ১৯১১ গী মার্চ ১৫ দা হৌজিক্না তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চল্লবা খাওচাংবুং ভিলেজ (লাইজাং)দা পোকখিবা মহাক্কী ১০৮ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম থা অসিগী ১৫ দা দি গোল্ডন ৱিমেন হায়দুনা সেলেব্রেট তৌখি। মহাক্কী মচানুপা অহুম, মচানুপী মঙা অমসুং মশু ৮০ রোম লৈহৌরি। ময়াম্না হাওসাপি হায়না নুংশিনা মিঙ্গৌনখিবী নুপী অসিগী মপুরোইবা হেনখোলাল মিসাওনা কুমজা ১৯৬০ দা লৈখিদবদগী মহাকপু মপুরোইবনা পুরকখিবা মিসাও লাভোমগী ভিলেজ চীফ ওইনা মীয়াম্না খঙনরকখিবনি।

মতম শাংনা হিংলিঙৈগী পুন্সিদা মহাক মতম চানা লাই খুরুমখি। মহাক্কী মচা-মশুশিং নীংথিনা য়েংশিল্লম্মী। লৈখিদ্রবা মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তুনা লৈরোন চনবগী থবক ঙরাং খুল অসিগী সিমিত্রিদা এল এল পি এগী পাষ্টর রেভরন দি লুনখোনেনা পাঙথোকখি। মহাক্না লৈখিদবদা মালেমগী মফম পুম্নমক্তা খুন্দারিবা কুকিশিংগী মায়কৈদগী সোসল মীদিয়ানচিংবগী খুথাংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেলশিং লেপ্তুনা লাক্লরি।

# ক্যামগৈ মুস্লিম মখা লৈকায়দা ঈ ভি এম ১ থুগায়খ্রে, ঈরাং লাকশিন্নবা নোংমৈ কাপখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :
তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখল ঙসি মীয়াম্না ভোট থাদনবা হৌখ্রবা মতুং অয়ুক পুং ১১.২০ রোম তাবদা কৈরাও এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ক্যামগৈ মুস্লিম মখা লৈকায়দা লৈবা ক্যামগৈ হায় মদ্রাসা পোল্লিং ষ্টেসন ৬/১১ ক্যামগৈ মুস্লিম (সাউথ) এদা ঈরাং হৌরকপদগী মীয়াম্না ঈ ভি এম অমা থুগায়খ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী প্রিসাইদিং ওফিসরনা ফোঙদোরকপদা, মীওই খরনা ভোট প্রোক্সি তৌনবা হোৎনরকপদা য়ানি য়ারোই য়েৎনরকখি। ভোট থাদবা চঙলক্লিবা মীওই অদু হান্না থাদখ্রবরা নৎত্রগা থাদখিদ্রিবরা হায়দুনা মখুৎ চেক তৌরুবদা মপানদগী সী আর পি এফনা নুপী মশা পায়দুনা চেক তৌরে হায়দুনা লাউশিল্লকপগা লোয়নননা ময়াম চঙলক্তুনা নুঙনা থাজিল্লকখি। মদুদা ঈ ভি এম অদু থুগায়রম্বগা লোয়নননা ভোট থাদফম অদুগী পোৎচৈশিং চৈখায়রমখি।

ঈরাং অদু লাকশিন্নবা মফম অদু ঙাক্লিবা এফ কম্পেনি ৬৯ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফ কাঙবুনা নোংমৈ মরু অনী ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখি। থৌদোক অদুদা প্রিসাইদিং ওফিসর য়াওনা মীওই তরুকলোম শোকপদগী বাশিখোং কম্যুনিটি হেল্‌থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মখোয় কা হেন্না অরুবা ফীভমদ্রি ওইদ্রে হায়রি।

# অন্দ্রো এ সীদা অমুক হন্না মীখল পাঙথোকপীনবা সী পি আইগী মীরেপ নরনা রিটর্নিং ওফিসরদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) :
অনীশুবা তাঙ্কক্কী লোকসভা মীখলদা ঙসি অরানবা থৌওং কয়া চথখি হায়বগীদমক অন্দ্রো এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা নৌনা অমুক মীখল পাঙথোকপীনবা কম্যুনিষ্ট পার্টিওফইন্দিয়া সী পি আইগী মীরেপ ডা. এম নরনা ৱাকৎখ্রে।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা সী পি আইগী মীরেপ অসিনা হায়, অন্দ্রো এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী সিটিং এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, মহাক্কী লোয়নবী অমসুং ৱার্কর খরনা বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকহন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা অরানবা থৌওং কয়া চথখি।

বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা অরানবা থৌওং চথখি হায়রিবা অন্দ্রো এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি, ৭/৩৯ নোংৱম, ৭/৪০ কৈথেলমানবী, ৭/৪১ মোইরাং-পুরেল-এ, ৭/৪২ তুমুখোং, ৭/৪৩ মোইরাংপুরেল-বি অমদি ৭/৪৪ ইথমনি হায়রি।

দেম্মক্রেসিগী মশক থিহন্নবগী পান্দমদা অরানবা থৌওং কয়া চথখি হায়না মরাল শিরদুনা ডা. এম নরগী চেরোল অদুগী হায়, এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোকখিবগী খুদম উংবা ফংদে। মীচম মীয়াম্বু মনিং-মখা তম্না ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা ফংহনখিদে।

পুম্নমক অসিগী য়েংলগা মথক্তা পনখ্রিবা অন্দ্রো এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা পাঙথোকখিবা মীখল কেন্সেল তৌবগা লোয়নননা অমুক হন্না মীখল পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা নৌনা মীখল পাঙথোক্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়নসু ডা. নরনা রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

# অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে

তুরা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী) :
মেঘালয়াগী গারো হিলস রিজনদা ঙরাং অয়ুক অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকপদা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, সাউথ ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্ততা নোংলৈ-নুংশিৎনা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখিবগা লোয়নননা মফম অদুদা লৈরম্বা মীওইশিং রিলিফ সেন্টরদা চঙজফম লৌদুনা লৈখি। নুমীৎ হুম্নীগী মমাঙদসু নোর্থ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম অমদি মহৈ-মরোং উবা লৌবুক কয়া অমাঙ-অতা থোকহনবা লৈখ্রবনি।

লাক্কদৌরিবা নুমীৎ খরনিগী মনুংদা মখা তানা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকপা য়াবা মরম্না মেঘালয়া অমদি অৱাং নোংপোক্কী অতৈ ষ্টেটশিংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়েনা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

সাউথ ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্ট দেপ্যুটি কম্মিস্নার রাম কুমারনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা নোংলৈ-নুংশিৎনা কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ব্লোক অহুমদা লৈবা য়ুম ৩০০০ হেন্না মাঙ-তাকহনখ্রে হায়বগী রিপোর্ট ফংলে।

অসামগা লোন্নবা খুঙ্গং অনীদা লম চাওনা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়নননা মহৈ তম্ফম লোয়শঙ খরগী য়ুমথক হুমদোক্তুনা পুখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অৱাবা তারবা খুঙ্গাশিংগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়নননা চীঞ্জাক অমদি ফিরোল-নচিংবা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌখ্রে।

ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্তকী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুঙ্গং ১৪০ হেন্না নোংলৈ-নুংশিৎনা অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়নননা খুঙ্গা কয়ামরুম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে। তুরা এরিয়াগী মফম অয়াম্বদা ইলেক্ট্রিক পোল তুখিবদগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা মৈ ফংহনবা ঙমদ্রে হায়না তুরাগী ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর রাম সিংহনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

রোং রাম ব্লোক্কী য়ুম চা কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়নননা থংননা লৈবা খুঙ্গং খরদসু নোংলৈ-নুংশিৎনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। সোংশক অমদি সমন্দা ব্লোককী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, সোংশক ব্লোক্তা য়ুম ৩০ অমসুং সমন্দা ব্লোক্তনা য়ুম ৯০ রোম নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। সাউথ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্তকী ওইনদি চোকপোৎ ব্লোক্তা য়ুম খরা অমাঙ অতা থোকহনখিবা নত্তনা কা হেনবা মওংদা অমাঙ অতা থোকখিদ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। নোর্থ গারো হিলসতসু নোংলৈ নুংশিৎনা য়ুম ১৫ রোম মাঙ-তাকহনখি হায়রি।

# এম য়ুগী কেম্পসতা মৈ চাক্লকপদগী পাখৎনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ (ঐচএনএস) : শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা তেরা হৌরিবা অদুদা মৈ চাক্লকপদগী মীয়াম পাখৎনখ্রে। মৈ চাক্লিবা মফম অদু এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্লোক্কী মমাঙদা চৎলিবা লম্বী অদুগী অৱাংদা খরা চৎলগা লৈবা বোয়জ হোষ্টেলগী মনিং মপাদা হৌবা তেরা পাম্বী মচাশিং খঙহৌদনা মৈ হৌরগা চাক্লকপদগী খুদক্তা ইম্ফালগী ফায়র সার্ভিসকী কাঙবু লাক্লগা ঈশিং কাপশিন্দুনা মুখৎখি। মমাঙদসু এম য়ুগী কেম্প মনুংদা অৱাংবা তেরা অমদি উনা-ৱানাশিং মৈনা চাক্লকপদগী ফায়র সার্ভিস লাক্লগা মুখৎপগী থৌদোক লৈখ্রে। ঙসি মৈ চাক্লক্লিবা অদু কনাগুম্বশিংনা চুরূট থকপদগী মতেক তাহৌবদগী মৈ হৌরকপা ওইবা য়াই হায়না থাজনরি।

# কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি ৱর্করশিং...

*লামায় ১গী মখা...* মরক্তা খূৎ থোক্নরকপা অদুদগী পুলিসনা মফম অদুদা খামদুনা লৈরম্বা গাড়ী অদু থৌদোকহনখি। বি জে পিগী ৱর্করশিংনসু গাড়ী অদুদা নুঙনা থোমখিবা মীয়াম্না উনহৌখি।

কোংগ্রেস এম এল এ অমগী গাড়ী অদুদা নুঙনা থোমজিল্লুবা অদুদা ইস্কোর্ট পর্সনেলশিং অদু থোক্লক্তুনা নুঙ থাজিল্লক্লিবশিং অদুদা ৱাহৈ খরা লাউখি। মদুদগী বি জে পিগী ৱর্করশিং অদুনা ইস্কোর্ট পর্সনেলশিং অদুদসু হন্দুনা লাউশিনখি অমদি ইস্কোর্ট পর্সনেল অমদা তানরগা খূৎ থাবসু মীয়াম্না উনহৌখি হায়না মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরকখি।

থৌদোক অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী য়ুব মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট বারিশ অমসুং কোংগ্রেস এম এল এ ওক্রম হেনরিগী ইস্কোর্ট পর্সনেলনি হায়বা রোমেন অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

# ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী হৌদুনা নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা থৌবাল এ সীগী ওইনা চাদা ৭৫.২৯, ৱাংখেম এ সীগী ওইনা চাদা ৮১.১৭ অমদি লিলোং এ সীগী ওইনা চাদা ৬৬.৫৯ গী চাংদা ভোট থাদনখি।

ঙসি ভোট থাদনখিবা অদুদা ৱাংখেম এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩২/৩ দা ঈ ভি এম মেছিন য়াদবদগী মেছিন শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবদা পুং ১.৪৫ চোন্থদুনা ভোট থাদবা মতম চানা হৌবা ঙমখিদবা অমদি থৌবাল এ সীগী ওইনা অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা অদুৱাইদা কোংগ্রেসকী এম এল এ, ও সুর্জকুমারনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৩১/৩০ দা চঙলুবদা বি জে পিগী থৌমীনি হায়বা মীওই অমনা ভিদিও নল্লুই হায়বগী ৱাহৌদা উংখৎনবা খরা থোকখিবা অমদি লিলোং এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ঈ ভি এম মেছিন য়াদদুনা ভোট থেংনা থাদনখিবা নত্তনা পামদবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনা মীয়াম্না ঈংনা চিক্না ভোট থাদনখি।

থৌবাল অমসুং ৱাংখেম এ সী অনীগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ঐখোয়গী পাউমীনা কোয়না চৎলুবদা মীখল অসিদা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অমমমদা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন অমমম থল্লিবশিং অসিদা থৌবাল এ সীগী ওইনা চাওয়াইমা হায় স্কুলদা হাংলম্বা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ৩১/৩৭ দা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন অমা ওইবগী মপুং ফানা লৈতেংদুনা মীয়ামদা ফংহনবা য়াবা মতেংশিং ফংদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা ৱাংখেম এ সীগী ওইনা য়াইরিপোক গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা হাংলম্বা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ৩২/২০ দনা নোর্মেল পোল্লিং ষ্টেসন অমগুম লৈরম্বা থেংনখি।

এ সী অনী অসিগী থৌবাল য়াইরিপোক লমখায়দা লৈবা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩১/৫ অমদি ৩১/৬ অমসুং হাওখা মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ৩১/১ অমদি ৩১/২ পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা নুপী খক্তনা মথৌ পাঙথোকপগা লোয়নননা মীয়াম্না ঈংনা চিক্না খৎন- চৈনবা য়াওদনা ভোট থাদনখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল ঈং-তপ্পা মওংদা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৪.০১ য়ৌখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মীয়াম্না অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ভোট থাদনবগীদমক পরেং শানা লেপ্তুনা লৈনখি। হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওইশিংবু পোল্লিং ষ্টেসনদা মথৌ তৌবা বূথ লেবেল ওফিসর অমদি ভলনি টয়রশিংনা মতেং পাংলগা ভোট থাদহনখি।

মীখল অসিগী এসেসিবিলিটি ওবজার্ভর জে সী রামথাঙ্গানা তোঙান-তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়নননা ভোট থাদবা লাকপা মীওইশিংগা ৱারী শানখি। পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ওবজার্ভরনা হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবা মীওই অমগী মতেং পাংদুনা ভোট থাদহনখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী পোল্লিং ষ্টেসন অয়াম্বদসু ঈংনা-চিক্না মীখল পাঙথোকখি। ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ সী ১৩, ইম্ফাল ইষ্টকী ১০, থৌবালগী ৩ অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী এ সী ৬ য়াওরি।

# পুৱারীদা অহানবা ওইনা মণিপুরদা...

*লামায় ১গী মখা...* মীখলদা পুন্না মীরেপ ১১ না লম্বা থেংনরি। মীরেপশিং অদুদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ডা. আর কে রঞ্জন, কোংগ্রেসকী ও নবকিশ্বর, সী পি আইগী ডা. এম নরা, মণিপুর দেম্মক্রেটিক পিপলস ফ্রন্টকী জি তোনসনা, রাষ্ট্রিয়া জনহিট সংঘর্শ পার্টিগী এস নন্দেশ্বর, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী আর কে অনন্দ, মণিপুর পিপলস পার্টিগী ও জুগিন্দ্রো অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়স কাইকু, এম তোতোমসনা, দল্লিয়ু পোবিত্র অমসুং মহমদ ইলিয়াস খাননি।

# এম য়ুদা এম ঐচ আর দিনা...

*লামায় ১গী মখা...* (পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন নম্বর- ৪৯ ওফ ২০১৮) গা মরী লৈনবা 'ইন্টরিম ওর্দর' অমনা অয়াবা পীদ্রবদি পাঙথোক্লোইদবনি হায়বসিনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈরকখিবা নুংশিনদবা, য়ানদবশিং য়াওবা অকনবা ঈহৌশিং অদু নেমথহন্দুনা মহৈকোল অসিবু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্নবগীদমক কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর-৪৯ ওফ ২০১৮ অসিগী ৱায়েলদা কোর্টনা মহৈকোল অসিগী মেনেজমেন্ট ওফ এফেয়র্সতা ইন্টরফেয়র তৌদুনা জর্নেল সিংহবু এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা হাপখিবনি। মসিগী ইন্টরিম ওর্দর অসিনা কোর্ট অসিনা মমাংগী কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১০ দা পীখিবনি হায়রি।

কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না মহাকপু এদমিনিষ্ট্রেটর হাপ্পদা মঙোন দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট, ২০০৫ অমসুং এক্ট অসিগা মান্নবা মরী লৈনবা ষ্টেটুটশিংগী মতুং ইন্না ভাইস-চান্সেল্লর অমগী ফঙ্কসনশিং পাঙথোক্নবা মপাঙ্গল হাপখি। অদুবু পীখ্রিবা পাৱর অমসুং ফঙ্কসনশিং অসিগী মতুং ইন্না মহাক্কী অহানবা মথৌদাংদি মহৈকোল অসিবু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবনি হায়খি। অদুবু এদমিনিষ্ট্রেটর অসিগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা এদভর্টিজমেন্টশিং থোক্তুনা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্টতা পোষ্ট ১৩৩ মেনশিন্নবা থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

এদমিনিষ্ট্রেটরগী থৌওংশিং অসিগী মতাংদা পিটিস্নরনা কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোক্লিবনা হৌজিক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিজার্ভেসনগী মতাংদা ৱাথোক ওইরক্তুনা কেস কয়া পেন্দিং লৈরিবনা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস পুম্নমক য়ৈথোক্তুনা থম্ননবা খঙহল্লকখি হায়রি। ৱাফম অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী এম ঐচ আর দিগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা চেরোল (নম্বর-এফ/৩৩-১২/২০১৮-সী য়ু-৪, তাং ১৯/১১/২০১৮) দা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

মরমশিং অসিনা কোর্টনা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোকখ্রবশিংগী য়াওনা প্রমোসন পীখিবা টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী ওর্দরশিংঅমসুং মরী লৈনবা রেকোর্দশিং কৌবীয়ু অদুগা এম য়ুগী নোর্মেলসি পুরক্নবা থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনদবা থবক থৌওংশিং অসিগী মতাংদা চপ চাবা ওর্দর অমা পীবীয়ু হায়বসিনি।

সিনিয়র এদভোকেট মাইবম হেমচন্দ্রনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্তুনা ফাইল তৌরক্লিবা সিভিল পিটিসন অসি হায় কোর্টনা এদমিট তৌদুনা লৌশিনখিবগা লোয়নননা ৱায়েল চখদুনা লাকখিবনি।

# গুদ ফ্রাইদেগী পাউজেল পীনরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোক্কদৌরিবা গুদ ফ্রাইদেগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়াম মরুওইনা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

জিজস খ্রাইষ্ট লাইগী অশেংবা মচা ওইরিবা খ্রাইষ্টপু ক্রোসতা পাং তিংদুনা হাৎখিবা নুমীৎ অদুবু নীংশিংদুনা গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম পাঙথোকপনি। নুংশিনবা, ঙাকপীবা, অচুম্বা অমসুং লমন খুম্বগী ৱাখল থাদোকপা হায়বা মহাক্না পীরম্বা পাউতাকশিং মতম পুম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈবা মথৌ তাই।

লোর্দ জিজসনা মহাক্কী তুংইনবশিংদা অচুম্বা লম্বী তাকপীরম্মী। মীপূম খূদিংমক্না গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম ৱাহন্থোক লৈনা পাঙথোক্লসি। মণিপুরগী মীয়ামদা হেপ্পি ইষ্টর সন্দেগী য়াইফ পাউজেলসু পীজরি হায়না গভর্ণরনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু মণিপুরগী মীয়ামদা গুদ ফ্রাইদেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল পীবা চেরোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, লোর্দ জিজসনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক কখোকখিবা পূম্নমক নীংশিংবা ওইনা গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম পাঙথোকপনি।

গুদ ফ্রাইদে অমসুং ইষ্টর সন্দেনা ফত্তববু অফবনা খূদুম চনবগী খূদম ময়েক শেংনা পীরি। অরানবা তৌরকপশিং জিজসনা ঙাকপীবগা লোয়নননা থৌজালগী মীৎয়েং য়েংখি। গুদ ফ্রাইদে অমসুং ইষ্টর সন্দেনা লাকপগা ইরোয়ননা মীপূম খূদিংমক্না নুংশিনবা, ঈং-তপ্পা অমদি ঙাকপীবগী ৱাখল্লোনদা য়ূম্ফম ওইরগা মচিন-মনাও ওইবগী মরী চেৎশিনহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# আউটরগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৯...

*লামায় ১গী মখা...* ৪৮/৪০-তুঙম খুল্লেন (দি), ৪৮/৫৩-তুংজোয় (দি), ৪৮/৬৫-লাই (এ), ৪৮/৬৮- লাই (সী), ৪৯/১০-তদুবী (এ-১) অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৫৭/০১- সংলৈ, ৫৭/০৩- সোংকোং অমসুং ৫৭/১৮- সোংফুনি। সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং য়াওনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা পোল্লিং ষ্টেসন ১৯ দা রিপোল চথখি। মমাঙদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা ঙাক শেনখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# দিমোক্রেসিগী মায়োক্তা লান্না লমজিংদুনা...

*লামায় ১গী মখা...* উবা ফংই। মীয়াম্না অফবা মীরেপতা শৌগৎপা হায়বা অসি দেম্মক্রেসি মায় পাকপা হায়বা অদুনি। অন্দ্রোগী মফম খরা নত্তনা অতৈ মফমশিংদা কোয়না চৎলুবদা মমাঙ মমাঙগী মীখলদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওংদা মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপীবগী মমি চাউনা উবা ফংই। মরম অদুনা হন্দক্তি মহাক্না শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈ। মীয়াম্না অওনবা অহোংবা পুরক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীরিবা পুম্নমকপুসু মহাক্কী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

# এম য়ুগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী...

*লামায় ১গী মখা...* অয়াবা পীখ্রবনিসু হায়রি। অদুবু অসিগুম্বা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীটিং পাঙথোকপা অসি এম য়ু এক্তকী রুল ১৩(৩) অমসুং য়ু জি সী রিগ্যুলেসন্স, ২০১৮গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংনা অয়াবা পীদবনা পাঙথোক্তনবা থিংজিনবীয়ু। মীটিং অসিদি হৌজিক কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরিবা পি আই এল নম্বর ৪৯ ওফ ২০১৮, দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১০৩৬ ওফ ২০১৮ অমসুং দল্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১০৮৪ ওফ ২০১৮গী অরোয়বা ৱায়েলগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদবনি হায়খি।

পিটিসন অসি থা অসিগী ১৫ দা জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস কে ঐচ নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা লৌখৎলগা খন্নখ্রে।

মসিদা কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা রেস্পোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি। অদুগা মীটিং অসিনা পিটিস্নর প্রো. কে য়ুগিন্দ্রোগী প্রো-ভি সী খনবগী মতাংদা খন্নগদবা ওইরবদি মহাক্কী কেস অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন (ৱায়েল) লাক্লবা মতুংদা পাঙথোক্লবা খঙহনখি।

কেস অসিদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখি। অদুগা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবশিংনা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রার, এম ঐচ আর দিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী সেক্রেটরি অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনি।